# জুদিসিয়েল এক্তিভিষ্ট মথৌ তারকপা
# নত্রবদি মণিপুরনা চাওখৎপা ৱাগনি

দেমোক্রেসিগী পোলিটিকেল প্রোশেস অমনা ইন্দিয়াদা গভর্নমেন্ট অমসুং গভর্ন্যান্স অনিমকপু ইনক্লুশিভ গ্রোথতা য়ুম্ফম ওইবা দেমোক্রেটিক সোসিয়েলিজমগী মায়কৈদা তপ্পা তপ্পা চিংশিল্লকপদা জুদিসিয়ারিনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরক্লি। দিল্লিদা শাসন তৌরিবা কঙ্গ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লাইন্স (য়ু পি এ) গভর্নমেন্টকি খোঙবু ওইমিন্নরিবা দ্রাবিদা মুন্নেত্রা কাজঘম (দি এম কে)গী এ রাজা অমসুং কঙ্গ্রেস মশামক্কি এম পি শুরেস কালমাদিনচিংবা শক্তি লৈরবা মীওই কয়া অচৌবা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা আইনগী থোঙদা ৱায়েনবগী থবক চত্থরক্লিবা অসিমক দেমোক্রেসিবু জুদিসিয়ারিনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবগী ময়েক লারবা খুদমশিংনি হায়বা য়াই। লাইবক থীবদি মণিপুরগুম্বা শেঞ্জা-থুমজানা লাকহৎলবা অমসুং হীরম খুদীংমক্তা শোত্থনা লৈরিবা ষ্টেট অমদা প্রো-এক্তিভ ওইবা জুদিসিয়ারিগী অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎনবা জুদিসিয়েল এক্তিভিষ্ট মশক উবা ফংদবা অসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী অমসুং মপানগী মেদিয়ানা ওপ্পোজসিনগী শক্লোন লৌদুনা শেঞ্জা-থুমজাগী অচৌবা ৱাথোক কয়া পুথোক্লবসু অদুগুম্বা ৱাথোকশিং অদুগী মরুমদা লৈরিবা অঙম-অথৌশিংনা করিসু নাচুংবা পোক্ত্রি। থৌওং অসি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী অমসুং য়াম্নমক মরুওইনা চাকথুং-ফিথুংদ্রবা লায়রবা মীয়ামগী খুদোং থীনীংঙাইনি। শাসনগী চুপ্পি পায়রিবা অৱাংবা থাক্কি পোলিটিকেল লেভেলদা শেঞ্জা-থুমজা তৌবদগী মণিপুরনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎপা ঙমদবনি হায়বসি অরানবা ৱাফম ওইরোই। ষ্টেট অসি লায়রৈ, মশাগী রিছোর্স লৈতে হায়বদি য়াই, অদুবু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পায়খৎপা চহী মঙাগী থৌরাংশিংদা অসিগুম্বা লায়রবা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ-থৌরাং কয়া পায়খৎনবা অচৌবা শেনফম কয়া প্লানগী বজেটতা হাপ্তুনা থাদরকপা মরম্না,করিগুম্বা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈবাক ঙাক্লিবা অঙম-অথৌশিংনা নিয়ম চুম্না শীজিন্নরবদি ঙসি ওইরিবা ষ্টেট অসিগী নীংবা কায়নীংঙাইগী মশক ওইরবা দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভমশিং অসি উবা ফংলম্লোই। য়ুম্লোন্নবা আসাম অমসুং ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেটশিংদা হৌখিবা চহী তরা কুন অসিগী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অওনবা মশকশিং অদু উরুরগা ষ্টেট অসিগা চাংদম্নদুনা য়েংলুবা মতমদা অঙকপা ফংনা খেন্নরি।

দেমোক্রেসিনা মীয়ামগী মফমদা থোং মান্নবা পুন্সি মরেল অমদা হিংনবা হক পুম্নমক অমত্তা ৱাৎতনা পীরি। অসিগুম্বা হকশিং অসি ফংবা ঙম্নবা হোৎনবদা জুদিসিয়ারিনা মতম পুম্বদা তেংবাং পীনবা শেম-শাদুনা লৈরি। পোলিটিকেল করপসন হায়বসি ইনি দয়ান দেমোক্রেসিগী কোকপা ইঙম ঙম্নরোইদবা লায়থুং অমগুম লৌনরম্বা অদু ঙসিদি জুদিসিয়ারিনা লায়েংদুনা খরা খরা লাইকোকহনবা হৌরক্লবনি। মণিপুরিশিংনা মেইনলেন্দ ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু খেন্নবা মীৎয়েংনা য়েংলে, থৌশাবীদ্রে নত্রগা অতৈ ইন্দিয়ানশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনবীদ্রে হায়না মতম পুম্বদা লাউদুনা লাক্লি। অদুগা অমরোমদনা, লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা গভর্নমেন্টকি মেছিন্নরি পুম্নমকপু পোলিটিকেল অমসুং লন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা করপসনগী ফরবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা ওন্থোকপদদি কনানসু করিসু হায়নদনা তুমিন তুমিন লৈনরি। অসিগুম্বা মণিপুরি খুন্নাইগী তায়োন্নবা মশক অসি চুমথোক্তুনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা থাদরক্লিবা চাওখৎ-থৌরাংগী শেনফম পুম্নমক মীয়ামগী খুৎতা চপ চানা য়ৌহন্নবা হোৎনবগী তঙায়ফদবা লৈ। খুন্নাই অসিগী লৈঙাক্লোন মনুংদা মোৎলিবা ফীভম অসি মীয়াম্না অয়াবা পীদুনা মখা তানা চত্থহনবা তারবদি দিল্লিনা হিমালয় চীংদোনমুক ৱাংনা শেল হৈথরক্লবসু মণিপুরনা কৈদৌনুংদা মীমান্ননা চাওখৎপা ঙম্লোই। ঐখোয়গী শক্তম কলহৌনবা, ঙমখৈগী শক্তম কায়হন্দনবা অমসুং ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লাম্হেংনরিবা অসিগুম্না শেঞ্জা-থুমজা থিংনবা অকনবা খোঙজঙ অমা চঙশিনবগী মথৌ তারি। অদুগুম্বা খোঙজঙ অদুগীদমক্তা জুদিসিয়ারিবু ফরবা খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াগনি।